## RNU, IMPHAL
## MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-11-2025)**

**শঙাই (এল)ঃ** মনিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২৫, রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ঙসি হৌদোক্লগনি। নুমিৎ তরানি চুপা চথগদবা ফেষ্টিবেল অসি থা অসিগী ৩০ ফাওবা চথগনি। ফেষ্টিবেল অসি মপুং ফানা পাঙথোকবগীদমক সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিবেল অসিগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা কালা সংস্কৃত্তিগী থৌরমশিং, সঙাই ফিল্ম ফেষ্টিবেল, ইন্দিজিনস অমসুং এদভেঞ্চর স্পোর্টস, ইন্টরনেসনেল পোলো টুর্নামেন্ট, সঙাই ফুটবোল কপ, মিস সঙাই-২০২৫, হিয়াং তান্নবা, চেরি ব্লোসম ফেষ্টিবেলনচিংবা মখল মথেলগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা, রাজ্য সরকারগী ট্রান্সপোর্ট বিভাগনা ফেষ্টিবেল অসি য়েংবা লাকপা মীয়ামনা পুরকপা গাড়িশিংগী পার্কিং মফমশিং লোয়ননা পার্কিং ফিসু লাউথোকখ্রে।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** মনিপুরগী ষ্টেট ইনর্ফোমেসন কম্মিস্নার ওইনা নুংশিতোম্বী অথোকপম ঙসি অয়ুক পুং ১০ মখায়দা চীফ সেক্রেটরি-পুনিত কুমার গোয়লনা ৱাশক লৌরগনি।

ইম্ফালগী রাজ ভবনগী দরবার হোলদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা শরুক য়াগনি।

**ডে(এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি মালেমগী টেলিভিজন নুমিৎ পাঙথোক্কনি।

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্সনা শিনদুনা

টেলিভিজনগী নুমিৎ ঙসি দি.এম.য়ুগী সেন্ত্রেল হোলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা দি.এম.য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার-ডল্লিয়ু. চান্দবাবু, য়ুনিভরসিতি অসিমক্কী ইলেক্ত্রোনিক্সকী হেদ-এসোসিয়েট প্রোফেসার-সি.ঐচ. বিরেননচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াগনি।

**রোংমৈ(এল)ঃ** রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মনিপুরনা তমেংলোং জিলাদা পায়খৎপা মরুওইবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক খরা অথুবা মতমদা লোয়শিনবীনবা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাদা অইবা চেরোল পীদুনা হায়জখ্রে।

লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট-কে.সি. সেদিও গাংমৈনা সহি তৌদুনা রাজ্যপালদা পীশিনবা চেরোল অসিদা জিলা অসিগী খোংশারোলদা পায়খৎলিবা পোলিটেকিক ইন্সটিট্যুট, কেন্দ্র বিদ্যালয়া স্কুল, নুপী কৈথেল, পৱার সব ষ্টেসন, ত্রাইবেল গালর্স হোষ্টেল, তমেংলোং কলেজগী সাইন্স ব্লোকনচিংবা অথুবা মতমদা শাবা লোয়শিনবীনবা হায়জখি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই অহুম অমসুং দ্রগ লল্লোনবা মীওই মরি ফারে।

মনিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং ঙাংখা লৈকাইদগী আইননা থিংখ্রবা কে.ৱাই.কে.এলগী কাডর অমা ফাখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ফকং মখা লৈকাইদগী লুপ অসিমক্কী এক্তিব কাডরনি হায়বা মীওই অমসু ফাখি। মীওই অসি মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোংপাল ইরানফম থোংদগী প্রিপাক্কী এক্তিব কাদরনি হায়বা মীওই অমসু হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফাখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হপ্তা গোলাপতিদগী দ্রগ লল্লোনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অহুম ফারে। মীওইশিং অসি তেংনৌপল

পুলিস ষ্টেসনদা লৌখৎপা এন.দি.পি.এস. অমগী মতুং ইন্না ফাবনি। মখোয়দগী ব্রাউন্দ সুগর হাপ্পদা শিজিন্নবা অহাংবা বট্টল ৯১, শেল ওইনা লুপা লাখ অনি য়াওনা চে-চাং খরা ফাগৎলে।

সেনাপতি জিলাগী মাও পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ফিকোমৈ জঙ্কসনদগী দ্রগ পুরম্বা অসামদগী মীওই অমা ঙরাং ফারে। মীওই অসিদগী কিলোগ্রাম মঙা হেন্না লুপা ডব্লিয়ু.ৱাই.টেব্লেট পেকেট মঙা ফাগৎলে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা উরাংপাৎ চীংদা ঙরাং থিবা হুম্বগী থবক চখবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিংগী মনুংদা পিষ্টোল অমা, টিয়ার গ্যাস গন অমা, কন্ত্রিমেট বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, পোইন্ট টু টু রাইফল অমা, নোংমৈ মরু ১১ য়াওরি।

মনিপুর পুলিস, অসাম রাইফলস অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা কাংপোকপী জিলাগী সোংলুং ভিলেজকী লম একর ১০ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং ঙরাং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে। পোপী থাবদা শিজিন্নবা পোৎলমশিং, শঙশিংসু মৈ থাদুনা মাঙহনখি।

অমরোমদা, সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা কোকোমিগী ঙরাং চংশিল্লকখিবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবশিংগী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস অমা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা রেজিস্তার তৌরে হায়রি। মখোয়গী মথক্তা পাব্লিক সর্ভেন্ট অমদা খুৎ থাবা, মথৌ পাঙথোকপদা অয়েৎপা অপন পীবা, সেক্যুরিতি বেরিকেটনচিংবা নমখায়দুনা চংশিল্লকপা য়াওনা মরাল কয়া শিরি।

**এরেষ্ট:** দিল্লিগী রেড ফোর্টতা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মীওই মরি অমসু নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) না ঙরাং ফারে।

এন.আই.এগী চেরোল অমনা হায়-ফারবা মীওইশিং অসি কোর্টতা

পুথোক্লবা মতুংদা কষ্টদিদা থমলে। হৌজিক ফাওবদা থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওই তরুক ফারে। বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক অসিদা লৌতুনবা মীওইশিং চপ চাবা মশক খঙদোকবা হান্ননা ফারবা মীওইশিং এন.আই.এনা অকনবা মওংদা ৱাহং পাউহং চথুরি। থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওই খুদিংমক ফাননবা এন.আই.এন. মরী লৈনবা রাজ্য পুলিসশিংগা নীংথিনা পাউ ফাওনদুনা থবক পায়খৎলি।

**লৌঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরা সিংহ চৌহাননা হায়রি-লৈবাক অসিদা ফৌ অমসুং গেহুগী পোৎথোক পুথোকপগী চাং চাদা ৮ হেনগৎলে।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা থৌরম অমদা মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহি তরা অসিদা পুথোকখিবা চাংদগী  হেন্না হন্দক লৈবাক অসিনা ফৌ অমসুং গেহুগী পোৎথোক মিল্লিয়ন টোন ১০৬ পুথোকপা ঙমখি। হৌখিবা চহিদা ফৌ টোন লাখ ৩ লিশিং ৭৮ পুথোকখিবদু কুমশি চহিদদি টোন লাখ ৫০১ পুথোকপা ঙমখি। গেহু পুথোকপগী চাংসু কুমশি চহিদনা টোন লাখ ৪৬.৫৩ পুথোকখি।

**বেঙ্গোলঃ** নোংচুপ বেঙ্গোল বিধান সভা মীখলগী য়েংলগা অহানবা তাঙ্কক্কী ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ই.ভি.এম) চেক তৌবগী থবক ঙসিদগী কোলকাতাগী ন্যু টাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

মদুদা, সেনিয়ার দিপ্যুতি ইলেক্সন কম্মিসনার-গ্যানেস ভারতিনা লুচিংবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎ কাংবু অমা শরুক য়াগনি। মীহুৎ কাংবু অসিনা রাজ্য অদুদা এস.আই.আর. য়েংশিনবগী থবক চথুরি। ই.ভি.এমশিং য়েংশিনবগী থবক্তা ই.সি.আইগী সেক্রেটরি-মধু সুদন গুপ্তা, ইলেক্ট্রোনিক্স কোরপোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদকী সেনিয়ার দিপ্যুতি জেনরেল মেনেজর - পি.সি. মোন্দাল শরুক য়াগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা কোকোমি অমসুং আই.দি.পিশিংনা ঙরাং খোঙজং চংশিনখিবা থৌদোক অদুদা অশোক অপন য়াওখিবগী পাউ, মনিপুরদা নে-না তাবা ফিভম হনজিন্নবা হোৎনরি হায়না আর.এস.এসকী লুচিংবা মহোম ভগবতনা ফোংদোকখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সঙাই ফেষ্টিবেলগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনবদা মী শোক্লে, অনি ফাজিনখ্রে হায়বা পাউ পোকফমদা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি সনা লৈবাক্তনা-সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকফম মমাংদা খোঙজংলোইশিংগা সেক্যুরিতিগা চাউনা মুকখ্রে, টিয়ার গ্যাস কাপ্তুনা তানখায়খ্রে, কোকোমিগী অনি ফাজিল্লুরে, অশোক অপন য়াওখ্রে হায়না অহনাবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি, পাউ চে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইপ পীদুনা ফোংনরি।

আর.এস.এসকী চীফ মনিপুরদা লৈরি। মনিপুরদা নে-না তাবা ফিভম হনজিন্নবা হোৎনরি হায়না মোহোন ভগবতনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরগী পোনি য়োকখৎনবা লুপা লাখ ২৯ হেনবগী শেনফম থাদোকখ্রে হায়বা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মেন ভেন্যু হাপ্তা কাংজৈবুংদা ৱাথোক ওইখ্রবসু বিষ্ণুপুরগী দি.সিনা লুচিংদুনা ফেষ্টিবেলগী করটেন রাইজরগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-নিতিশ কুমার বিহারগী ১০ রক শুবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখ্রে হায়বা পাউ এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-খোঙজং চংশিল্লিবশিংগী মথক্তা পুলিসনা চথখিবা থৌওং কোকোমিনা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। এম.পি. সনাজাউবনা আই.জি.পি. সসপেন্দ তৌনবা রাজ্যপালদা ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুরগী মেন্যুস্ক্রিপ ঙাক শেন্দুনা থমবগী মতাংদা ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা মনিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-কমপেন্সেসন পীথোক্তবগী মায়োক্তা নেসনেল হায়ৱে ১০২ (এ) পরিংদা লৈরিবা এফেক্টেট লেন্দ ওনরশিংনা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-অপিবা ইষ্টিমেটতগী য়ামা হন্থনা থবক শুবা কন্ টক্তরাংদা ৱাক ওর্দর পীবগী মতাংদা হিল এরিয়া কমিতিগী চেয়ারমেননা রাজ্যপালদা ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্ক-তমেংলোংনা ঙসি অরিবা শেলশিং ওন্থোক ওনশিন তৌবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউ মরুওইনা পাউ ওইনা ফোংলি